# আরব লিগকী সম্মিটনা সিরিয়াদা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



রিয়াধা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): অরাব লিগকী মীফম্না সিরিয়াদা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদা মালেম থাক্কী ইনভেষ্টিগেসন চথনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

অরাব লৈবাকশিংগী থবক থৌরমশিংদা ইরানন খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংবুসু মীফম অদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা বৃটেন অমদি ফ্রান্সকা খুৎশন্নরগা সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথখ্রবা মতুংদা অরাব লিগকী মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীফম লোইরবা মতুংদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা অরাব লিগনা হায়খি, মনিং মখা তন্বা মওংদা ইন্টর্নেসনল ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইরানগী মথক্তা হেন্না কনবা অথিংবা থন্বগা লোয়ননা সিরিয়া অমদি য়েমেন্দগী মিলিসিয়া লৌথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎক্লদবনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অসদ শৌগৎপা ইরান্না সিয়েদ মিলিসিয়া কয়া থাজিন্দুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সেসকী মতেং পাংহন্দুনা লাকখি। য়েমেন্দা ইরান্না শৌগৎপা খুথি রেবলশিংনা কেপিটেল সিটি সানা য়াওনা মরুওইবা মফম কয়ামরুম খুদুম চনশিনবা ঙমখ্রে হায়না ইরানিয়ান ষ্টেট মেদিয়ানা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ভাহরেন কাসেমিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

টেহরানগা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাকখিবা সাউদি অরাবিয়ানা তকশিল্লকপদগী অরাব লিগনা কন্দেম তৌবগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি। রিয়াদ অমদি টেহরানগী মরক্তা চাউনা উংখৎনরকপগা লোয়ননা সিরিয়াদা অঙম তান্নবগী ফীভম লাকখ্রবা মতুংদা সিরিয়ান প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদ য়াওদনা অরাব লুচিংবশিংগী মীফম পাঙথোকখিবনি।

মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক অনীনা সিরিয়াদা নাকল নাম্মা নাম্মা শৌগৎতুনা লাকখিবগা লোয়ননা য়েমেননা ইৱাক অমদি লেবাননদা লৈবা ওপোজিসন পার্টিশিং শৌগৎতুনা লাকখি। লানগী চৈথেং ফংলবা সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথখ্রবা মতুং পুং ২৪ লৈরগা অরাব লিগকী মীফম পাঙথোকপা হৌখি। নোংথক্কী এটেক চথবগী থৌওং মপুং ফানা শৌগৎলিবা সাউদি অরাবিয়া অমসুং কটারনা দোহাবু ইস্লামিক এক্সট্রিমিসশিং শৌগৎলি অমসুং ইরানগা কা হেন্না নকশিন্নৈ হায়না মরাল শিরি।

কুমজা ১৯৪৫ তা লিংখৎখিবা অরাব লিগকী মমাঙগী মীফম কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবনি। অসাদকী লৈঙাক্লা লান্দা লৌখিবা থৌদাং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মতমদুদা অরাব লিগতগী সিরিয়া তান্থোকখি। নোংপোক থংবা দাহরান্দা পাঙথোকখিবা মীফমদা সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌ সলমাননা ময়াই তাংবল লৌখি। সিরিয়াগী লান্না মরম ওইরগা রিয়াদ অমদি অতৈ সুনি রেবল শৌগৎপা কাঙবুনা নাকল নাম্মাদা লেপ্পগা ইরান অমদি হেভোলাগী মায়োক্তা মখলগী কয়াগী থবক লৌখৎতুনা লাকখি। থাংজ নুমীৎতা য়ু এসনা লুচিংলগা সিরিয়াদা নোংথক্তগী এটেক চথখিবগী থৌওংবু সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

গল্ফ অরাব ষ্টেটশিংনা সিরিয়াদা চাউনা মতেং পাংখিবা তারবসু সিরিয়ানশিং চঙজফম পীনবা থৌরাংদি লৌখৎখিদে। শাংলবা চহী ৭ লান শোক্লরকপদা মীওই লিশিং চা কয়া শিখ্রবা মতুংদা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মহম্মদ বিন সলমান (৩২) না হায়খি মদুদি, অরাব লিগকী মীফমদা অসদসু শরুক য়াহনবা তঙাইফদে। সাউদি অরাবিয়ানা ইজরেলবু ওফিসল ওইনা শক খঙদবা তারবসু প্রাইম মিনিষ্টর মহম্মদনা এজেন্সীদা অসাদপু মখা তানা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইনা লৈহনবা তঙাইফদে।

# পাকিস্তানগী ক্বেটাদা মিলিটেন্টশিংনা মীওই অনি কাপ্তুনা হাৎলম্লে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): পাকিস্তানগী ক্বেটা সিটিদা ঙসি মোটো সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই অনীনা চর্চ অমগী মনাক্তা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগা লোয়ননা অতোপ্পা মঙা অশোক অপন নংহল্লম্লে।



দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অব্দুর রজাক সিমানা হায়খি, বেলোচিষ্টানগী কোনুং ক্বেটাদা লৈবা চর্চ অমগী মনাক্তা শকখঙদবা মীওই খরনা খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা মীওইশিংদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবশিংগী মনুংদা নুপী অনী য়াওরি। শোক্লবা মীওই পুম্নমক মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অফগানিষ্টান্না ঙরাং ফাজিনখিবা পাকিষ্টানগী লান্মী মঙা তেক্ত-কায়দনা মরৈবাক্তা খুৎশিন্নখ্রে। খোষ্ট প্রোভিন্সকী গভর্ণরনা হায়খি মদুদি, য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং ঙরাং খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা পাকিষ্টানি লান্মী অমা ফাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মঙা শিখি। ফারবা লান্মী অমদি থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মঙা অদু ইস্লামাবাদতা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙমখৈদা পাকিষ্টান্না শম্বল খাজিল্লকপগী মতাংদা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনী য়েৎনদুনা লাকখিবনি। কিলোমিটর ২,৫০০ শাংবা ঙমখৈগী শরুক শম্বল খাজিনবদা বাংলাদেশনা য়ুল্লোন্নরিবা পাকিস্টানগী লম হেঞ্জিল্লকই হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি। য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অনীমক্লা টালিবান মিলিটেন্টশিং চঙজফম পীবগী মতাংদা অমনা অমদা মরাল থংজিন্নরকই। মমাঙদা পাকিস্টান আর্মিনা হায়খিবনি মদুদি, বাংলাদেশকী লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পাকিস্টানগী সিক্যুরিটি পার্সোনেল অনী লৈখিদ্রে।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী হৌগৎলকপদা খা নোংচুপথংবা পাকিস্টানগী ক্বেটাদা মিলিটেন্টশিং খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

# ‘সিরিয়াদা অমুক হন্না এটেক চথরবদি মালেমগী অহুমশুবা লঞ্জাও থোরকপা য়াই’

মোস্কো, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): রসিয়ান প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা নোংচুপ লৈবাকশিংনা সিরিয়াদা অৱাংবা এটেক চথরকপা থোক্লবদি মালেমগী অহুমশুবা লঞ্জাও থোক্লকপা য়াই।



ইরানগী মহাক্তা ফম মান্নবা হাসন রোহানিগা টেলিফোন্দা ৱারী শান্নবদা পুটিননা হায়খি, নোংচুপ লৈবাকশিংনা নোংথক্তগী চথরকখিবা এটেক অদুনা চহী তরেৎ শুরবা সিরিয়াগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনদবা খুরৌ থাংবা ওইনা থোক্লে। য়ু এন চার্টরগী ৱাংমদা চথরকখিবা থৌওং অদুনা মালেমগী অতৈ মফমশিংদসু হাৎন-শুনবা থোকহল্লকপা য়াই। য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনা লৈবা নিকি হেলিনা সি বি এসকী “ফেস দ নেসন” থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা হায়খি মদুদি, য়ু এসনা কেমিকেল ৱেপনগী মতাংদা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদকী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস লৌখৎলকপা য়াই।

কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগীদমক নিংথৌকাবা নুমীৎতা য়ু এসনা সিরিয়াগী মথক্তা মিসাইল ১০৫ কাপশিন্দুনা মফম কয়াদা অমাঙ অতা থোকহনখি। মিসাইল কাপশিনখিবা মফমশিং অদু কেমিকেল ৱেপন পৈফমনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট, ফ্রান্স অমসুং বৃটেননা ফোঙদোকখি। দোমাদা এটেক চথদুনা মীওই কয়ামরুম শিহনখিবগী মতাংদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা বাসর অল অসদকী লৈঙাক্তা মরাল শিখি। অসাদ অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা রসিয়াগী মথক্তা নোংচুপ লৈবাকশিংনা খ্বাইদগী কনবা থবক লৌখৎলকপা হন্দক্লা অহানবনি।

ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোননা হায়খি মদুদি, য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেলনা সিরিয়াদা লান্মী থাজিন্নবগী ৱাফম অয়াবা পীরে।

অমরোমদা, রসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মথক্তা চপ চানা লম্মন খুমগনি হায়বা রিপোর্ট অমা ফংখ্রবা মতুংদা হ্বাইট হাউসনা হায়খ্রে মদুদি, য়ু এসনা সিরিয়াদা চথবা মিসন্দা অহোংবা অমত্তা লৈতে। এ এফ পিগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লানগী চৈথেং ফংলবা সিরিয়াদগী অথুবা মতমদা য়ু এস লান্মীশিং লৌথোক্লগনি হায়রি।

নোংচুপ লৈবাকশিংনা সিরিয়াগী কেমিকেল ৱেপন থম্ফমদা এটেক চথখ্রবা মতুংদা য়ু এসকী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

অমরোমদা, য়ু এসনা লৌখৎখিবা থৌরাং অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়না পল্লদুনা রসিয়ানা হায়খি মদুদি, বাসর অসাদকী লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবদা কেমিকেল ৱেপন শীজিন্নখিবগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। য়ু এস অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা এটেক চথবগী থৌওং অদুনা মালেমগী অহুমশুবা লাঞ্জাও থোকহল্লকপা য়াই হায়না মীপায়নরি। য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং ফ্রান্সনা সিরিয়াগী মথক্তা চথখিবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা থোকহল্লকপা য়াবা থৌদোকশিংগী মতাংদা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিং শেম-শাদুনা লৈবা মতম ওইরে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

# মালিদা পিসকিপ্পরশিংদা এটেক চথরকখিবগী থৌওং সেক্রেটরি জেনরেলনা কন্দেম তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): মালিগী য়ু এন পিসকিপ্পিং মিসন অমসুং ফ্রান্সকী ওপরেসন বরখানেগী কেম্পতা এটেক চথরকখিবগী থৌওংবু য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুন এন সেক্ট্রেরি জেনরেলনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱাফম অদু বর্কিনা ফাসো গভর্নমেন্ততা ফোঙদোকখিবনি। গুটরেজনা মালিয়ন ওথোরিটিশিংগা ৱারী শান্নদুনা এটেক চথরখিবা মীওইশিং অদু মরাল মতুং ইন্না মতিক চাবা পীগদবনি হায়না তকশিনখি।

ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা য়ু এন পিসকিপ্পরশিংদা খুৎ থারকপা হায়বসি ৱার ক্রাইম ওইনা লৌফম থোকই। পিসকিপ্পরশিংদা এটেক চথরখিবা মীওইশিং ইন্টরনেসনেলগী লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়ু এন পিছকিপ্পর শারগা লাকপা মিলিটেন্টশিংনা টিম্পক্টুদা লৈবা এয়রপোর্ট মনাক্তা এটেক চথরকপদা পিছকিপ্পর অমা শিখিবনি।

য়ু এন পিছকিপ্পরগী ফিজোল শেৎলগা লাকপা মিলিটেন্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অদুদা ফ্রেঞ্চ লান্মী য়াওনা অতোপ্পা পিছকিপ্পর কয়ামরুম অশোক অপন নংখি। হিগোক মচুগী হেলমেট উপ্পা মিলিটেন্টশিংনা রোকেট কয়ামরুম কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখি। পোকখায়হন্নবা মচাক থন্না য়াওবা গাড়ী অনী থৌজিল্লকখি। অদুবু শুপ্পগী গাড়ী অমখক পোকখায়খি। অতোপ্পা গাড়ী অমদি য়ু এন পিছকিপ্পরশিংনা লৈরিবা মফম অদু য়ৌদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা থিংবা ঙমখি হায়না সিক্যুরিটি মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, অশোকপা মীওই মঙাগী ফীভম লুনা লৈরি। থৌদোক থোকফমদা অহেনবা পিছকিপ্পরশিং থাজিন্দুনা ফীভম লাকশিনবা ঙম্লে। মালিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী মতাংদা লৈরিবা য়ু এন পিছকিপ্পর অমসুং গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংদা তোয়না এটেক চথদুনা লাকখিবনি।

সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, টিম্বক্টু সিটিদা হন্দক চথরক্লিবা এটেক অসিগা মান্নবা মখলগী এটেক অমত্তা মমাঙদা চথরকপা লৈত্রি। কুমজা ২০১৩ দা খুৎলাই পায়বগী ঈহৌ হৌরকখ্রবা মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মালিদা পিছকিপ্পিং ফোর্স থাজিন্দুনা ঈং তপ্পা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মফমশিংদা লান্মী ১১,০০০ অমসুং পুলিস ১,৭৪১ থমদুনা ঈং তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরি। চহী ৫ চুপ্পা ঈং তপ্পা ফীভম পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবা য়ু এনগী লান্মী ১৬২ তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা শিখ্রবনি। চহী অসিগী ওইনসু পিছকিপ্পর তরেৎ শিখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জান্যুৱারি থাদা অলকাইদানা চথরকখিবা এটেক অমদা মালিগী লান্মী ১৪ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১৮ অশোক অপন নংখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়া, চাইনানা খন্ন-নৈনখ্রে

টোকিয়ো, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): চাইনিজ প্রসিদেন্ত জি জিনপিংগী প্যোংয়াং খোঙচৎকী মতাংদা চাইনা অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা ৱারি শান্নখ্রে।

নোর্থ কোরিয়না বেজিংদা লৈবা এম্বেসিগী খুথাংদা খোঙচৎ অদুগীদমক থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। চাইনানসু নোর্থ কোরিয়াগা অফবা মরী থম্নবা পান্দমদা প্রসিদেন্তকী খোঙচৎ শীনখিবগা লোয়ননা মতুং তারকপসু অতৈ থৌরাং কয়া লৌখৎকখিগনি হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF TEXTILES, COMMERCE & INDUSTRY**
**DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES**

**N O T I C E**

Imphal, the 13th April 2018

**No. HC-32/H&T/2017:** It is hereby notified that applications in prescribed forms are invited from the un-employed **National Awardees/National Meric Certificate holders conferred by the O/o the Development Commissioner for Handicrafts, Ministry of Textiles, Govt. of India and State Handicrafts Awardees** for providing financial support for production of their handicraft products on commercial scale under the **Scheme of Modernisation of Handicrafts** for the year, 2018-19. Awardees that have already benefitted are not eligible.

Application forms and other details can be had either from the Handicrafts Section of the Directorate of Handlooms & Textiles, Manipur at its office at Lamphelpat, Imphal or O/o Project Manager (HL), District Handlooms & Textiles Office.

Last date for submission of application form is **15-05-2018**.

*Sd/-* **K. Lamlee Kamei**
Director of Handlooms & Textiles, Manipur

*HL-P/1039/17*

**MANIPUR UNIVERSITY OF CULTURE**
Palace Compound, Imphal - 795001

**N O T I C E**

14/9-1/16/ MUC (EXM) Dated: 16/ 04/2018

It is hereby informed to all concerned that the University has decided to hold the Second Semester Examination 2018 from 14th May 2018.

The following are the datelines fixed by the University for the Examination.

| | |
|---|---|
| Issue of Examination Forms | 24th April – 30th April 2018 |
| Submission of Forms and Fees | without fine 2nd May 2018 |
| | with fine 5th May 2018 |

***Examination Starts from 14th May 2018***

Detailed Examination programme will be notified separately.

*Sd/-* H. Rajamani Singh
Controller of Examinations
Manipur University of Culture

*HL-B/4572/17*

# ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি হল্লকপা হৌরে হায়বা ৱাফম বাংলাদেশনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ধকা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): রোহিঙ্গা রেফিজ্যু মঙা হল্লক্লে হায়বা ম্যন্মারগী ৱাফম বাংলাদেশনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অসদ উজমান খাননা হায়খি, ম্যান্মারনা ফোঙদোকখিবদু অরানবনি। অহানবা তাঙ্ককী ওইনা ম্যান্মারদা হল্লক্লে হায়রিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি মঙামক বাংলাদেশতা লাক্লম্বা লৈতে হায়নসু হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। বাংলাদেশতা রোহিঙ্গাগী ৱাথোক লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলম্বা অসিফ মুনিয়রনা হায়খি, ম্যান্মারনা মালেমগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবগী পান্দমদা রোহিঙ্গা হল্লকপা হৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি। ইরাই নুমিত্তা য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সি অমসুং বাংলাদেশনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীন্নদুনা রোহিঙ্গাগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা থৌরাং হৌরে। হৌজিকমক্কী ওইনদি রেফ্যুজি অমত্তা হল্লখিবা লৈতে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মালেমগী মীয়াম অমসুং বাংলাদেশনা ম্যান্মারগী ৱাফম অদুগা মরী লৈননা মালেমগী মীয়ামদা মরিক চুন্না শেংদোকপা মথৌ তাই।

অমরোমদা ম্যান্মার গভর্নমেন্তকী চেরোল অমনদি বাংলাদেশতা লৈরম্বা রেফ্যুজি পুম্নমক মথং মনাও নাইনা লৌশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা চেকশিন ৱারোল পীরকখ্রবসু বাংলাদেশতা লৈরম্বা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা হল্লকপা হৌরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা মিলিটরিনা অকনবা কেম্পন অমা চথবদগী রোহিঙ্গা লাখ ৭ লোম লমখৈ লাম্হোক্তুনা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈখিবনি।



থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টপু মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি।

ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, থাংজ নুমীৎতা রোহিঙ্গা ইমুং অমগী মীওই মঙা রিপাট্রিয়াসন কেম্পতা থুংলরে। মীওইশিং অদুদা মথৌ তাবা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখি। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরম্লবদি ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং হল্লকপা হন্দক্লা অহানবা ওইরগনি। রখাইন ষ্টেটতা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই তরা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নৈ হায়বগীদমক থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা লান্মী তরেৎ জেলদা থম্বা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক য়ুল্লোন্নবা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রেফ্যুজিশিংনদি ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী থৌওংদা থাজবা ঙমদ্রি। মীশিং য়ামদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিং অসিবু ম্যান্মারগী অশেংবা সিটিজন ওইনা শক খঙদবা মরম্না বাংলাদেশতগী লোন্না চঙলকপা মীতোপ ওইনা লৌই। থাংজ নুমীৎতা ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংনা বাংলাদেশতগী হল্লক্লবা রেফ্যুজিশিংদা নেসনল ভেরিফিকেসন কার্দ খুৎশিন্নবগী ফোটোগ্রাফ কয়ামরুম এজেন্সীদা থাদোরকখি। হায়রিবা কার্দ অদু পায়বা তারবসু ফুরুপ অসিগী মীওইশিংবু ম্যান্মারগী সিটিজন ওইনা শক খঙবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

হন্দক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবগী থৌরাং লৌখৎপা মতম চাদ্রি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সীনা হায়খি, বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওইশিং ম্যান্মারদা হলহনখিবা মতমদা খুদোংথীবা কয়ামরুম মায়োক্লবা য়াই।

অমরোমদা, এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনলগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা মিলিটরিগী মতেং লৌরগা রখাইন ষ্টেটতা রোহিঙ্গা ফুরুপকী লম মুনবগী থৌওং অমা চথরক্লে।

সেটিলাইট ইমেজ অমসুং উহৌবশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফম পল্লদুনা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ অসিনা হায়খি মদুদি, রখাইন ষ্টেটতা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মথক্তা চথরিবা থৌওং অসি মালেমগী মীয়ামনা খুদক্তা অথিংবা পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই লাখ তরেৎলোম বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

***Ref:- Mut. Case No. 412/SDC/NBL of 2018***

Nongthombam Bheigyabati Leima W/o (L) N. Chaoba Meitei of Samurou Makha Leikai.

*...... Petitioner*

-Vrs-

(L) Nongthombam Chaoba Meitei S/o N. Heiton Singh of Samurou Makha Leikai.

*...... Pattadar*

**ꯈꯣꯡꯂꯦ/NOTICE**

Dt. 16/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১০-পুখ্রম্বম পাট্টা নং ১৩৪ (অরিবা) ৩২৯ (অনৌবা) দাগ নং ১৫০ এরিয়া ০.৮০ একর ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

*HL-P/1037/17*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 189/SDC/Bishnupur, 2018***

Naorem Ongbi Keshori Devi W/o (Late) N. Ibochou Singh of Kwashiphai.

*-Petitioner*

-Vrs-

Oinam Ningol Naorem Ongbi Ketuki Devi W/o (Late) Ibotombi Singh of Kwasiphai.

*-O.P.*

**ꯈꯣꯡꯂꯦ/NOTICE**

Bishnupur, the 16th April, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Village No. 39-Khoijuman Patta No. 174 (Old)/455 (New) C.S Dag No. 335 measuring an area 1.36 acres of Phourel Class Oinam Ningol Naorem Ongbi Ketuki Devi W/o (Late) Ibotombi Singh of Kwasiphai পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner Naorem Ongbi Keshori Devi W/o (Late) Naorem Ibochou Singh (মমৌনুপী) গী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
**Bishnupur**

*HL-P/1040/17*

# মীচঙ চঙদে

অঙ্করা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি): সিরিয়াগী মতাংদা টর্কিনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তগী মীচঙ চংবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে। টর্কিগী থৌশিন্দ ইরান, রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মান্নদে হায়না দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর বেকির বোজদাগনা ফোঙদোকখি।